
# চাইনাগা মরী লৈননা শেন্বা য়ুএস কংগ্রেস্নেল পেনেলনা ইন্দিয়াদা নাটো প্লস ষ্টেটস পীনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৭ (এজেন্সী):**
টাইৱানগী মায়োক্তা চাইনিজ মিলিটরিনা চথরিবা অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিংগী দিটরেন্স ওইনবা লৌখৎলক্লিবা মরু ওইবা খোঙথাং অমগী শরুক অমা ওইনা নাটো প্লস ৫ কৌবা হৌজিক লৈরিবা অমেরিকাগা নকশিন্নবা লৈবাক অসিগী মীচংশিংগী হেন্না চাওথোকহল্লবা গ্রুপ অমদা ইন্দিয়াসু য়াওহনগদবনি হায়না য়ুএস কংগ্রেস্নেল কম্মিটি অমনা রিকমেন্দ তৌখ্রে।



পেনেল অদুনা ইকনোমিক সেঙ্কসনশিং হেন্না ইফেক্তিভ ওইহন্নবা য়ুএসনা ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জপানগা লোয়নননা শেন্বা ইন্দো-পেসিফিক-সেন্ট্রিক গ্রুপ অমা ওইরিবা ক্বাদ অমদি অতৈ এল্লায়ন্সশিং অমসুং পার্টনরশিংগা কোওর্দিনেট তৌননবসু রিকমেন্দ তৌখি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা 'টেন ফোর টাইৱান পোলিসি রিকমেন্দেসন টু প্রিজার্ব পিছ এন্দ ষ্টেবিলিটি ইন ড টাইৱান ষ্ট্রেট' হায়না মমিং থোনবা রিপোর্ট অমদা য়ুএস অমসুং চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ষ্ট্রেটেজিক কম্পিটিসনগা মরী লৈননা শেন্বা হাউস সেলেক্ট কম্মিটিনা হায়রিবদি য়ুএসনা ইন্দিয়া য়াওহন্দুনা নাটো প্লস এরেঞ্জমেন্ট হেন্না মপাঙ্গল কলহনগদবনি।

নাটো প্লস ৫ গ্রুপতা হৌজিক নাটোগী মেম্বর লৈবাক ৩১ মক্কা লোয়নননা ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, ইজ রেল, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়া য়াওরিবনি। অকোনবগী লৈবাকশিং অসি য়ুএসকা বাইলেটরেল দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটি ট্রিটিশিং লৈনবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়া অসি য়ুএসকা দিফেন্স ট্রিটি অমা লৈনদ্রবসু য়ুএসনা ইন্দিয়াদা মপানদগী সেন্সিটিব টেক্নোলোজি ইম্পোর্ট তৌবদা লাইসেন্স পীবগী অথিংবা লৈহন্দ্রিবা ষ্ট্রেটেজিক ট্রেদ ওথোরাইজেসন ১ (এস টি এ-১) কেটগরিগা লোয়নননা মরু ওইবা দিফেন্স পার্টনর অমগী ষ্টেটস পীখ্রবনি।

নাটো প্লসতা য়াওরিবা লৈবাকশিং অমেরিকাগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি অমসুং টেক্নোলোজিগী পোত্থোকশিং শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফঙহল্লি। মসি কংগ্রেসপু চাইনাগা মায়োক্নবা অমদি কম্পিটিসন তৌনবদা গাইদেন্স পীননবা হাউস স্পিকর কেবিন মেকার্থিনা হৌখিবা জনুৱারীদা শেমখিবা সেলেক্ট কম্মিটিগী অহানবা রিপোর্টনি।

কম্মিটি অসি য়ুএসকী পার্টি অনীমক্না শৌগৎপগা লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা বৈজিংগা মরী ফত্তনা লাক্লিবা হ্বাইট হাউসকী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙম্লি। কম্মিটি অদুদা য়াওবা খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্ককী দিমোক্রেট ওইরিবা রাজা কৃষ্ণমুর্থিনা হায়খি, মদুদি চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগা লৈরিবা ষ্ট্রেটেজিক কম্পিটিসনদা মায় পাকপা অমসুং টাইৱানগী সেক্যুরিটি শোয়হন্দবা হায়বসিদা য়ুএসনা ঐখোয়গী মীচংশিং অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা সেক্যুরিটি পার্টনরশিংগা লৈনরিবা মরীশিং চেৎশিলহনবা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা নাটো প্লস ষ্টেটস পীবগী ৱাফম অসি মায়কৈ কয়াদগী তকশিন্নরকপা চহী কয়ামরুম শুরবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরিবনি। হাউসকী দিমোক্রেটিক মেম্বর অমা ওইরিবা রো খানানা চহী খরগী মমাঙদা ইন্দিয়াবু গ্রুপ অসিদা য়াওহন্নবা লেজিসলেসন পুথোকখ্রবনি। মপুং ওইবা লেজিসলেসন অদুগী শরুক ওইনা কুমজা ২০২৪ গী নেসনেল দিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্তিতা ৱাফম অসিবু মরু ওইনা য়াওহন্নবগী খোঙথাং অমা লৌখৎপা উরি।

# প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নরকপদগী সর্বিয়াগী আর্মি মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে

**বেলগ্রেদ, মে ২৭ (এজেন্সী):**
সর্বশিংনা মশিং নম্না লৈবা কোসোভোগী জবেকান টাউনদা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা কন্না খুৎ থোক্নরকপদগী সর্বিয়ান আর্মি লানগীদমক্তা মপুং ফানা শেম শাদুনা লৈখিবগা লোয়নননা কোসোভোগা লোন্নবা বোর্দরদা চঙশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।



লোকেল সর্বিয়ন ব্রোদকাষ্ট আর টি এসকী মতুং ইন্না ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ইরাং হৌরিবা মীওই কাঙবু অমা তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস অমসুং ষ্টন গ্রেনেদশিং শীজিন্নখি। মীওই কাঙবু অদুনা নৌনা মীখলদা মায় পাকখিবা ইথনিক অলবেনিয়ন মেয়র অমা মহাক্কী ওফিসতা চঙহন্দনবা হোৎনখিবনি।

আর টি এসকী রিপোর্টনা মখা তানা হায়রিবদি সর্বিয়ন প্রসিদেন্ট অলেকসেন্দর বুসিক্না ওর্দর অমা সাইন তৌদুনা সর্বিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী য়ুনিটশিং খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লানগীদমক্তা শেম শানবা খঙহনখি অমসুং মখোয়দা কোসোভোগা তাইনরিবা সর্বিয়ন বোর্দর তন্না চঙশিন্নবা ওর্দর তৌখি।

কোসোভোগী স্পিসল পুলিস ফোর্সেসকী ভেহিকলশিংনসু কোসোব্সকা মিট্রোবিকা, লেপোসাবিক অমসুং জুবিন পোদোক য়াওনা নোর্থ কোসোভোগী অতৈ সিটিশিংদা লৈবা ম্যুনিসিপাল বিল্ডিংশিং কোয়শিন্দুনা থমখি।

এক্সনশিং অসিগী পাউখুম ওইনা লোকেল সর্ভশিংনা রোদ ব্লোকশিং শেমদুনা অথিংবা পীনবা হোৎনখি। সর্ভশিংনা নোর্থ কোসোভোদা মখোয়গী মায়োক্তা মখল অমত্তগী ভাইওলেন্স চথরকপশিং য়ানিংদবা উৎলদুনা থা কয়া চুপ্পা লোকেল ইন্সটিট্যুসনশিং বোয়কোট তৌদুনা লাকখি।

কোসোভোদা লৈবাক অসিগী আইদিশিং, ট্রাবেল দোক্যুমেন্টশিং, কার লাইসেন্স প্লেটশিং নমদুনা শীজিন্নবগী থৌওং মখোয়না য়ানিংদবা উত্তুনা লাক্লিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৮ দা কোসোভোনা সর্বিয়াদগী নিংতম্লে হায়না লাউথোকচখিবনি। সর্বিয়ানা মসিবু রিজেক্ট তৌবগা লোয়নননা কোসোভো অসি লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স অমনি হায়না হৌজিকসু খন্দুনা লৈরিবনি।

মরকসিদা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা সর্বিয়াগী প্রসিদেন্ট অলেকসেন্দর বুসিক্না মহাক রুল্লিং সর্বিয়ন প্রোগ্রেসিব পার্টিগী লিদরশিপকী ফমদগী রিজাইন তৌরগনি হায়না সপোর্টর লিশিং কয়াগী মমাঙদা লাউথোকখ্রে।

# সুদানগী আর্মিনা থবক্তগী পোত্থারবা লান্মীশিংদা মশা ঙাকথোকচনবা খুৎলায় পায়নবা আপিল তৌখ্রে

**খার্তুম, মে ২৭ (এজেন্সী):**
সুদানগী এক্তিং দিফেন্স মিনিষ্টর য়াসিন ইব্রাহিম য়াসিননা থবক্তগী পোত্থারবা লান্মীশিং অমদি খুৎলায় পায়দুনা চৎপা ঙন্বশিংদা খ্বাইদগী নকপা আর্মি বেজতা রিপোর্ট তৌননবা আপিল তৌখ্রে। সিজ ফায়র লৈনা লৈনা লান শোক্নরিবা পার্টিশিংনা কেপিটেল খার্তুমগী মফম খরদা মরক মরক্তা খুৎ থোক্নবগা লোয়নননা এক্তিং দিফেন্স মিনিষ্টরনা আপিল অসি তৌখিবনি।



ষ্টেটমেন্ট অমদা য়াসিননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না ওফিসরশিং, নন-কম্মিসন ওফিসরশিং, লান্মীশিং অমসুং খুৎলায় পুদুনা চৎপা ঙন্বা খুদিংমক্তা খ্বাইদগী নকপা মিলিটরি বেজতা চৎতুনা খুৎলায় লৌননবা খঙহল্লি। খোঙথাং অসি মীওইশিং অসিবু মশা ঙাকথোকচবা ঙমহন্নবগীদমক্তা লৌখৎলকপনি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা সুদানিষ্ট আর্মিনা সিভিলিয়নশিংবু ঙাক শেনবগী মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবগী থবক্তা অয়েৎ অপন থোকহন্দবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা হ্যুমেনিটরিয়ন ট্রুসতা মতম পুন্বদা থাজবা থম্মী হায়না ফোঙদোকখি অমদি পেরা মিলিটরি রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) পু ট্রুস অদুবু থুগায়বগী থৌওং লেপ্পুনা চথৈ হায়না মরাল শীখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা আর এস এফকা খুৎ থোক্নরিবদু পনখৈ লৈতবা সিটিশিংগী লান অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমদি সুদানিষ্ট আর্মিদা রেবেল ফোর্সকী লৈহৌরিবা কাঙবুশিং মপুং ফানা মায়থীবা পীবা ঙন্বগী পাঙ্গল মতিক চানা লৈ হায়খি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সুদানগী লান শোক্নরিবা পার্টিশিং, আর্মি অমসুং আর এস এফনা জেদাদা মে ২০ দা খুৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ তরেৎনিগী সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অমা নীংথিনা ঙাক্লি হায়না লাউথোকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চৎনখিবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুএসনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না লান শোক্নরিবা পার্টিশিংনা লৈবাক শীন থুংনা মীচম মীয়ামশিং মনিং তম্না চথোক চৎশিন তৌবা য়াহনবগা লোয়নননা মখোয়বু ভাইওলেন্স, হরাসমেন্ট, রিক্রুটমেন্ট অমসুং অতৈ এব্যুসশিংদগী ঙাকথোক্কনি।

# 'ইমরানগী য়ুরিন সেম্পলশিংদা কোকেন য়াওরম্বা থেংনরে'

**ইস্লামাবাদ, মে ২৭ (এজেন্সী):**
পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চীফ ইমরান খানগী য়ুরিন সেম্পলশিংদা অলকোহোল অমসুং কোকেন য়াওরম্বা থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী নেসনেল হেল্‌ঠ সর্ভিসেস মিনিষ্টর অব্দুল কাদির পতেলনা ক্লেম তৌখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না য়ুরিন সেম্পলশিং অদু মে ৯ দা নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এফ বি) না ইমরানবু ফারবা মতুংদা লৌখিবনি। ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা কাদিরনা হায়খি, মদুদি মে ৯ দা ইমরান খান মিয়াজি মেদিকেল একজামিনেসনগীদমক মেদিকেল বোর্দকী মমাঙদা পুথোকখি।

এন এফ বিনা ফাখিবা মতমদা মহাক ময়াই কাবা পোৎলমশিংগী ইথিল মখাদা লৈরম্বা থেংনখি। পতেলগী মতুং ইন্না মেদিকেল বোর্দনা ইমরান খান লোনা য়াদবা পোৎশকশিং শীজিন্নবগী হেবিট লৈ হায়না রিপোর্ট পীখি। মদু মহাক্কী য়ুরিন সেম্পলশিংদা অলকোহোল অমসুং কোকেন য়াওরম্বা থেংনবদগীনি।

পি টি আইগী চীফ অসি সাইকোলোজিকেল প্রেসর চাওনা লৈরে হায়বা বোর্দ অসিনা পীবা ৱাফমসু কাদিরনা ফোঙদোকখি। কাদিরনা খানগী মেদিকেল রিপোর্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা জর্নেলিষ্টশিংদসু য়েঙ্থোকখি।

রিপোর্ট অদুদা ইমরান খান একজামিন তৌখি অমসুং মহাক এঞ্জাইটিগী লাইওংশিংগা লোয়নননা ষ্ট্রেস চাওনা লৈবা মাল্লি হায়না পনখি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা মীওই অসি খোইরাং খোইশাওনবা নত্ত্রগা এঞ্জাইটিগী মওং চাওনা লৈ।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুগী অশেংবা অমসুং মদু কয়াম লুবগে হায়বগী মতাংদা মহাক মনুং থিংনা খঙবা ঙমদে। মহাক্কী মেন্টেল ষ্টেবিলিটি অসি চিংননিংঙাই ওই হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# ঐচ-১ বি ভিজা পায়বা মপানগী হেল্‌ঠ ৱার্করশিং নেকপা য়ানবগী বিল য়ুএসতা পুথোকখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৭ (এজেন্সী):**
য়ুএসতা মতিক চাবা এপ্লিকান্ট থেংনদবা তারবদি দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটরন এফিয়র্সনা ঐচ-১ বি ভিজাশিং পায়বা মপানগী এমপ্লোয়িশিং হেন্না লাইনা নেকপা য়ানবগী বিল অমা য়ুএস কংগ্রেসকী নুপী মেম্বর অনীনা পুথোকখ্রে।



কংগ্রেসকী নুপী মেম্বর অনী রসিদা টলাইব অমসুং দেলিয়া রামিরেসনা শগোলশেল নুমিত্তা পুথোকখিবা 'দ এক্সপান্দিং হেল্‌ঠ ক্যের প্রোবাইদর্স ফোর ভেটরনস এক্ট' অসিনা ঐচ-১ বি ভিজা হোল্ডরশিং ওইরিবা ইম্মিগ্রেন্ট হেল্‌ঠ ৱার্করশিংবু ভেটরনশিংদা মথৌ তারিবা সর্ভিসশিংগীদমক্তা নেকপা য়াহন্দুনা লৈবাক অসিদা হেল্‌ঠ ক্যের প্রোবাইদরগী অৱাৎপা লৈরিবসি মেনশিনবদা মতেং ওইহনগনি হায়রি।

বিল অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটরন এফিয়র্স অমসুং ষ্টেট ভেটরন হোমসপু ঐচ-১ বি ভিজা প্রোগ্রামগা মরী লৈননা কেফ একজেম্প তৌরবা ইন্সটিট্যুসনশিংনি হায়না পল্লি। কংগ্রেস ৱিমন রামিরেস হায়বা হাউস কম্মিটি ওন ভেটরনস এফিয়র্সকী মেম্বর অসিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয় লৈবাক অসিদা হেল্‌ঠ ৱার্কর ৱাৎপনা মরম ওইদুনা চৈথেং নঙলবা ঐখোয়গী ভেটরনশিংদা উৎফম থোকপা থৌদাং উৎকদবনি।

অসিগুম্বা অৱাৎপা অসি থবক তৌনবগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরিবা অমসুং থবক তৌবা পাম্বা তৌইগুম্বসুং থবক তৌনবা হোৎনবদা খুরৌ কয়া মায়োক্নরিবা ঐখোয়গী কম্যুনিটিশিংদা লৈরিবা ইম্মিগ্রেন্টশিংগী সর্ভিসশিং শীজিন্নরগা কোকহনবা য়াগনি। লোকেল ভেটরন ৯০ হেনবদা লাইভ-সেভিং ক্যের পীরিবা দেট্রৌইট বিএ মেদিকেল সেন্টরনা হেল্‌ঠ ক্যের ৱার্করশিং নেকপা ঙম্লক্তবদগী মখোয়গী ক্লিনিক থিংজিনবগী ফিভমদা লাকখিবগা লোয়নননা দ এক্সপান্দিং হেল্‌ঠ ক্যের প্রোভাইদর্স ফোর ভেটরন এক্ট অসি দিভলপ তৌখিবনি।

মরু ওইবা ঐচ-১ বি ভিজা কেফ ইম্পোজ তৌবদগী সেন্টর অসিনা মপানগী হেল্‌ঠ ক্যের ৱার্করশিং নেকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিবনি।

রিপ্রজেন্টেটিব টলাইবনা মীৎয়েং চঙবদগী ক্লিনিক অদু থিংখিদবনি। বিল অদু মতুং তাবদা অসিগুম্বা ফিভম অমুক হন্না লাকহন্দনবা মওংদা শেম শাবনি হায়না কংগ্রেসকী নুপী মেম্বর অসিগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

# ক্যু আর কোদ শীজিন্নবা চাক্নি ফিনিবা অঙাংশিং সিন্দিকেট ক্রাইমগা মরী লৈনরম্বা য়াই

**মনিলা, মে ২৭ (এজেন্সী):**
ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাদা নুপামচা অমনা ক্যু আর কোদ শীজিন্নরগা শেল অমদি পোৎচৈ নিবগী ফোটো অমা সোসল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী গভর্ণমেন্ট বোদি অমনা সিন্দিকেটশিংনা ষ্ট্রিটকী অঙাংশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামদা নমথাক তৌনবা হোৎনরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নুপামচা অদুবু থেংনরকখিবা নেটিজন অমনা মহাক্কী ৱারোলদা চাক্নি ফিনিবা অঙাং অদুদা মখোয় কোইন অমত্তা য়াওদ্রে হায়রুবা মতমদা মহাক্না ক্যু আর কোদ অমা পুথোরকখি।

নেটিজন অসিনা মহাক্কী ফেসবুক পোষ্টতা হায়খি, মদুদি অহানবদা ঐখোয় নোকখি অমসুং ঐখোয়না ক্যু আর কোদ অদু মথৌ তৌব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা হোৎনখি। ঐখোয়না চেক তৌবদা মদু অশেংবা ওইরম্মী অমসুং মদু বেবরলি কৌবা অমগী মিংদা শেল্লম্বা ওইরমখি।

নেসনেল এন্টি-পোভর্টি কম্মিসন (এন এ পি সি) না মীয়ামদা স্কিম অদু ক্রিমিনেল সিন্দিকেট অমনা পুথোরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি। এন এ পি সিগী ভাইস চিয়ারপার্সন রিনাল্ডো টমাইরোনা লোকেল মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা এক্তিভিটিশিং অসিগী মরুমদা সিন্দিকেট কয়া লৈ। সিন্দিকেটশিং অসিনা অসিগুম্বা চাক্নি ফিনিবা অঙাংশিংবু ভেনশিংদা হোল্লি অমসুং মখোয়বু লম্বীশিংদা দিপ্লোই তৌই অমসুং অহিংগী মতমদা মখোয়বু অমুক লৌখৎলি।

টমায়োনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লম্বীশিংদা শেল নত্ত্রগা পোৎচৈশিং নিরিবা অঙাংশিংগী মমা মপাশিং ফাইন তৌবা য়াবগা লোয়নননা করিগুম্বা মরাল লৈরম্বা থোক্লবদি চহী অনী হেন্না জেলদা থম্বা য়াই।

# নিংতম্বগী ৱারী শানসি য়াদ্রবদি হোষ্টেজ ওইরিবা ন্যু জিলেন্দগী পাইলোট নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎকনি হায়না কিহনখ্রে

**ৱেলিংতন, মে ২৭ (এজেন্সী):**
নিংতম্বগী ৱারী শানসি হায়বা মখোয়গী দিমান্দ থা অনীগী মনুংদা থুংহন্দবা তারবদি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখিবা ন্যু জিলেন্দগী পাইলোট অমা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলগনি হায়না ইন্দোনেসিয়াগী পাপুৱা রিজনগী রেবেলশিংনা কিহনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



কেপ্টেন ফিলিপ মেহরটেন্স (৩৭) কৌবা ন্যু জিলেন্দগী পাইলোট অদু চীংগী লম নাদুগাদা মহাক্কী সুচি এয়র কর্ম্মসিএল প্লেন অমা লেন্দিং তৌরবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা ৱেষ্ট পাপুৱা নেসনেল লিভরেসন আর্মি ফাইটরশিং (টি পি এন পি বি) না কিদনেপ তৌখিবনি।

ফ্রি পাপুৱা মুভমেন্টগী খুৎলায় পায়বা ৱিং (টি পি এন পি বি) না ইন্দোনেসিয়াদগী পাপুৱাবু মনিং তমহন্নবা লালহৌদুনা এটেক কয়া মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্টনা গ্রুপ অসিবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনি হায়নসু লাউথোকপা লৈখ্রে। ৱার্নিং অদু ইরাই নুমিত্তা গ্রুপ অসিনা রিলিজ তৌখিবা অনৌবা ভিদিও অমদগী খঙনরকখিবনি। ভিদিও অদুদা মার্টিন্সনা পাপুৱানা নিংতম্বগী সিম্বোল অমা ওইরিবা অথিংবা থমখ্রবা 'মোর্নিং ষ্টার' ফ্লেগ পায়দুনা লৈবা উখি।

পাইলোট অদুনা ভিদিও অদুদা সেপরেটিষ্টশিংনা ইন্দোনেসিয়া নত্তবা অতৈ লৈবাকশিংবু পাপুৱানা নিংতম্না লৈনবগী মতাংদা দাইলোগ চথহন্নবগী প্রেসর পীহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি। করিগুম্বা রেবেলশিংগী ৱাফম অদু থা অনীগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারবদি মখোয়না ঐহাকপু নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎকনি হায়না ভিদিও অদুদা পাইলোট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্ট নত্ত্রগা জকারটাদা লৈরিবা ন্যু জিলেন্দ এম্বেসিগী মায়কৈদগী ভিদিও অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মমাঙদা পাইলোট অদুবু থাদোরক্নবা নিগোসিএসন চথনবা শেম শারি হায়না ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু লমদম অদুদা য়ৌশিনবা হায়বসি খুদোং চাদবনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবা মদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরিবনি।

রেবেলশিংনা ফাজিল্লিবা পাইলোট অদুনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী হেল্‌ঠ সেন্টর অমা শাবদা য়াওরিবা রেবেলশিংনা হাৎকনি হায়না কিহনখিবা কন্সট্রক্সন ৱার্কর ১৫ মফম অদুদগী হোন্দোকপদা মতেং পাঙখিবনি। ৱার্করশিং অদু পাপুৱাদগী ওইবনা মরম ওইদুনা রিলিজ তৌখ্রবসু কৃষ্ট চর্চতগী হৌরকখিবা মার্টিন্সপুদি রেবেলশিংনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখিবনি।

# 'প্লেনগী থোঙ হাংখিবা নুপা অদু থুনা থোকপা পামখি'

**সিওল, মে ২৭ (এজেন্সী):**
সাউথ কোরিয়াগী এয়রপোর্ট অমদা লেন্দিং তৌরমদাইদা এসিয়ানা এয়রলাইন্সকী প্লেন অমগী থোঙ হাংখিবা পেসেঞ্জর অমনা পুলিসতা মহাক শ্বর ফুল্লকপদগী এয়রক্রাফট অদুদগী য়াম্না থুনা থোকপা পামখি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা নুপা অদু প্লেন অদুনা লেন্দিং তৌরমদাই লৈমায়দগী শুপ্পগী মিটর ২১৩ রোমদমক ৱাংনা লৈরবা মতমদা মদুগী থোঙ খঙহৌদনা হাংদোরকপদগী লিভর চিংখিবা মীশক্নি হায়না চিংনবদগী দিটেন তৌখি। প্লেন অদু কেপিটেল সিওলগী খা নোংপোকলোমদা কিমি ২৩৭ লাপ্পা লৈবা দেগু ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌখিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 96/SDC/WKG) of 2023** **Dt. 22-05-2023**

App :- Salam Roshni Devi, W/o Abujam Bike Singh of Kakching Khunou, Thongam Awang Leikai

-Vs-

Opp :- (1) (Late) Angom Meina Singh, S/o .......... of Kakching Khunou
(2) (Late) Engkhom Mani Singh, S/o (L) Gulap Singh of Thongam.

**ꯈꯣꯡꯇꯥꯡ / NOTICE**

Dated, 22/05/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 77-Waikhong Ningthoumanai পাট্টা নং 75/16 (N) দাগ নং. 234 এরিয়া .92 একর চাওবা/ফৌরেল/অঙনফৌ/তাওথবী/ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong Kakching, District

HL-P/6748/28

# বালটিক পিএমশিং, জর্মন চাঞ্চেল্লরনা সেক্যুরিটি ইস্যুশিং খন্নখ্রে

**টালিন, মে ২৭ (এজেন্সী):**
ইষ্টোনিয়া, লাটবিয়া অমসুং লিথুএনিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা ইষ্টোনিয়ন কেপিটেল টালিনদা জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলসকা লোয়নননা সেক্যুরিটি ইস্যুশিং খন্ন-নৈনখ্রে হায়না লাটবিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইরাই নুমিত্তা ইষ্টোনিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর কজা কলাস অমসুং সোলসকী মরক্তা বাইলেটরেল মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ৱার্কিং দিন্নর অমা লাংখি। মদুদা লাটবিয়াগী পিএম কৃষ্ট জানিস কারিন্স অমসুং লিথুএনিয়াগী পিএম ইনগ্রিদা সিমোনিটসু শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনখিবা টোপিকশিংগী মনুংদা ফোরেন অমসুং সেক্যুরিটি পোলিসি, লিথুএনিয়াগী বিলনসতা পাঙথোক্কদৌরিবা নাটো সম্মিটকীদমক শেম শারিবশিং অমসুং ইন্মর্জেন্সি পোলিসি য়াওখি। বালটিক প্রাইম মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানবা লোইরবা মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সোলসনা বালটিক লৈবাক অমসুং জমর্নিগী মরক্তা নাটো অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা কোওপরেসন নীংথিনা পীনখিবগী থৌওংবু থাগৎখি।

# মেদিকেল ক্লিনিক্তা রোকেট এটেক চথরকপদগী মীওই ১ শিরে, ১৫ শোক্লে

**কিভ, মে ২৭ (এজেন্সী):**
দনিপ্রো সিটিদা লৈবা মেদিকেল ক্লিনিক অমদা রসিয়নশিংনা রোকেট এটেক চথরকখিবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৫ অশোক অপন নঙলে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্সটাগ্রামদা দিভলপমেন্ট অদুবু কনফার্ম তৌরদুনা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়, রসিয়ন টেররিষ্টশিংনা অমুক হন্না মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা চঙশিনবা মখোয়গী কেম্পেইনদা মখোয় ফাইটরশিংনি হায়বা ষ্টেটস কনফার্ম তৌখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নননা রোকেট এটেক অদুদা অমাঙ অতা থোকখিবা বিল্ডিং অদুগী ভিদিও অমসু থাগৎখি। মদুদা রোকেট এটেক চথরকখিবা মফম অদুদা ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ মুত্থৎনবা হোৎনবা অমদি ষ্ট্রকচর অদুদগী মৈখু কারকপগী শক্তম উখি। এটেক অদুগী মতুংদা ভিক্তিমশিং রেস্ক্যু তৌখিবগা লোয়নননা মথৌ তাবা খোঙথাং পুম্নমক লৌখৎখি হায়না জেলেন্সকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জেলেন্সকিগী ৱারোল অসিগী মমাঙদা দনিপ্রোগী মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ সার্হি লিসাক্না শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা সিটি অদুদা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা অমসুং রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথরক্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

চহী অসিগী জনুৱারীদা দনিপ্রোদা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমদা রসিয়নশিংনা মিসাইল অমা কাপশিল্লকপদা মীওই ৪৪ শিখ্রবনি। এটেক অদুদা এপার্টমেন্ট ৭২ মাঙ তাকখি অমসুং অতৈ ২৩০ হেনবসু তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা শোকহনখি।

**HAPPY ANNOUNCEMENT**

**SKY HOSPITAL & RESEARCH CENTRE PVT. LTD. (RIMS Road)**

(Providing Affordable Heart Care during this hard time)

1. FREE OPD CONSULTATION FOR SENIOR CITIZEN AGE ABOVE 60 yrs.
2. FREE OPD CONSULTATION FOR CHILDREN AGE UPTO 18 yrs.
3. FLAT 20% DISCOUNT ON BLOOD TESTS (IF REQUIRED)
4. FLAT 20% DISCOUNT ON ECHOCARDIOGRAPHY (HEART SCAN)



**COMMON SYMPTOMS OF HEART DISEASE**

- Chest pain, pressure, heaviness or discomfort.
- Shortness of breath.
- Dizziness/ Light-headedness.
- Exhaustion.
- Nausea or vomiting.
- Palpitation.
- Collapse.

**24X7 EMERGENCY SERVICE FOR HEART ATTACK, CHEST DISCOMFORT, PALPITATION etc.**
(EMERGENCY CHARGES WILL BE FREE FROM MORNING 8 am- 5pm).

- For Inquiry, Please Contact # 8415934236/8415938207

HL-B/8159/28